রিমসতা ফায়র এন্দ লাইফ সেফটিগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ঙসি নোংমগী ওইবা ফায়র এন্দ লাইফ সেফটি হায়বা থিম অসিদা শোর্ট দ্যুরেসন ট্রেনিং অমসুং এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা পাঙথোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী জোইন্ট দিরেক্টরনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, প্রোগ্রাম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) গী দিরেক্টর জেনরেল (ফায়র সর্ভিস, সিভিল দিফেন্স অমসুং হোম গার্দস) ফায়র সেলগী ইন্সত্রক্সন অমসুং মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী দিরেক্টরগী পাউতাক মতুংইন্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চলাইরিবা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালস/নর্সিং হোমশিংদা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক থোক্তনবা চেকশিন থৌরাংগী থবক পায়খৎপা ওইনা পাঙথোকখিবনি। মসিগী মনুং চন্না রিমসকী ওথোরিটি অমদি ফায়র সর্ভিসকী জোইন্ট দিরেক্টর এল নবচন্দ্রনা লুচিংবা টিম অমনা খূৎশম্নদুনা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি। মখা তাবা প্রোগ্রামশিংসু মথং মথং পাঙথোরকখিগনি হায়রি।

বোম লংশিল্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস):মশক খঙদবা মীওই অনীনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তাবদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকায়দা লৈবী ৱাংখৈরাকপম সুনিতিবালা মপুরোয়বা লৈখিদ্রবা লেনিলগী য়ূমগী শুমাংদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী মায়োক্তা ঙসি নোংমৈবুং ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট মৈরা পায়বী এসোসিএসন এন্দ ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব নোংমৈবুংনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম চৎখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা য়ূম কূংনা তারিবা মফমদা শকখঙদবশিংনা লালগী মতমদা শীজিন্নগদবা বোমবু মীচমগী ময়ূমদা লংশিন্দুনা হাৎলগে মতাগুম অকি-অখং পোকহল্লম্বা য়ানীংদে। থৌদোক অদু মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবীগনু। ঐখোয় ঈংনা চিক্লা লৈবা পাম্মী। থৌদোক অদু কনানা, করি মরমগী চৎথরম্বনো হায়বা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা মীয়াম মাঙদা শেংদোকপীরকউ। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা য়ূম্লক্তা বোম লংশিনবীগনু, ঐখোয় ঈংনা চিক্লা লৈবা পামজে, য়ূম্লক্তা বোম লংশিনবা য়ানীংদে, মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীরকউ হায়বনচিংবা ৱারোল কয়া প্লে কার্দ অমদি ফেষ্টুনদা ইদুনা থেৎখি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং নুমিদাং শকখঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা অদুদা য়ূম অদুগী শুমাংদা খামদুনা লৈবা অঙৌবা মচুগী ক্রিতা কার অমা, ঈ মচুগী অলটো কার অমদি মুরৈনবা মচুগী ক্যুইট কারগী মনিংগী গ্লাসশিং কায়রে হায়রি।

ভি দি এফ পর্সনেলদা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচা (এম পি এস) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের ফন্দগী লুপা লিশীং ২৫ হৈরোক বি কোয়দা পোষ্টিং তাবা নিংথৌজম অকিদা মতেং পাংখ্রে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ জিবননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, হৈরোক বি কোয়দা পোষ্টিং তারিবা নিংথৌজম অকি মশাগী পাইলসকী ওপরেসন তৌখিবগী মেদিকেল রিএম্বর্সমেন্ট ওইনা মঙোন্দা এস পিগী ওফিসতা শেনফম অসি খূৎশিন্নখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভি দি এফ মেম্বরশিংনা শেনফম খরা খরা খায়জিন্নদুনা থমখিবা ৱেলফ্যের ফন্দগী ভি দি এফশিংগী মরক্তা অশিঅনা, অশোক-অপন থোরকপদা ৱেলফ্যের ফন্দগী লৌথোক্তুনা শেলগী মতেং পাংনবা হোৎনবদা এস পি থৌবালনা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবগীদমক্তসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরিক্লি।

ফ্লাইট ৯দা মীওই ১০৮৬ পুরকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি হেনগৎলকপগা লোয়ননা মণিপুরগী মপান লমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০৮৬ রোম ঙসি ফ্লাইট ৯দা পুরগা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.১২ রোম তাবদা দেল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭৮ রোম ইন্দিগো ৬ঈ ৪০৭ ফ্লাইটতা পুরকখি। অনীশুবা ফ্লাইট এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ অসিনা ঙসি অয়ূক পুং ১০.২৪ রোম তাবদা দেল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১২ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অহুমশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ঈ- ৩৮৫না অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫৬ রোম ঙসি নুংথিল পুং ১২.১৯ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ ২০১৯না নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩৫ রোম তাবদা দেল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩৩ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। মঙাশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ঈ ৬৩২৩না ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫৫ রোম তাবদা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪২ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। তরুকশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ ৬২৪১না ঙসি নুংথিল পুং ১.৩৪ রোম তাবদা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪২ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। লোয়ননা তরেৎশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৯ আই ৭৪১না ঙসি নুংথিল পুং ১.৩৮ রোম তাবদা কোলকটা, গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪০ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। ৮শুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৩ আই ৮৮৯না ঙসি নুংথিল পুং ১.৫৫ রোম তাবদা দেল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৮১ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। মাপনশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ ৮৫৩না ঙসি নুংথিল পুং ২.৫৫ রোম তাবদা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৬১ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি হায়রি।

এদিসনেল ইংলিস লৌবা মহৈরোয়শিংনা এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা এম আই এল (মণিপুরী) গী মহুত্তা এদিসনেল ইংলিস লৌখিবা মহৈরোয়শিং/এপ্লিকান্টশিংনা পোষ্টেল দিপার্টমেন্টকী জি দি এস বি পি এম নৎত্রগা জি দি এস এ বি পি এমগীদমক জি দি এস ওনলাইন রিক্রুটমেন্টতা শরুক য়ানবা এপ্লাই তৌরকপা য়ারগনি হায়রি।

ৱাফম অসি এসিষ্টেন্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিসেস (হেদ ক্বার্টর) মণিপুর দিভিজন, ইম্ফালনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, রিক্রুটমেন্ট অসিগীদমক রিভাইস লিঙ্ক হয়েংদগী শীজিন্নবা য়ারগনি। অদুম ওইনমক এপ্লাই তৌরকপগী অরোইবা নুমিৎতদি অহোংবা লৈরোই হায়রি।

মণিপুর ষ্টেটকী এপ্লিকান্টশিংনা মণিপুরীগী মহুত্তা এদিসনেল ইংলিসপু ম্যেন সবজেক্ট ওইনা লৌখিবা এপ্লিকান্টশিংনা হয়েংদগী হৌরদুনা জি দি এস ওনলাইন রিক্রুটমেন্ট অসিগীদমক এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি। রিক্রুটমেন্ট অসিগী ওনলাইনদা এপ্লিকেসনশিং সবমিসন তৌরকপগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ১১নি হায়রি।

ওনলাইনদা এপ্লাই তৌরক্নবগী লিঙ্কনা http://appost.in/gdsonline নি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): মতম শাংনা নোংদোন লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট এসোসিএসন পাৎশোই পার্ট ৱানগী সেক্রেটরি ওইরম্বা অমদি মায়কৈ অসোমগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা নাওরেম তোমপিশক্লা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অমদি লৈকায়গী অহল লমনশিং য়াওনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ওফিস অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা তাইবঙ মপুদা চৎথৌনিখি হায়না নোংদোন লাইরেম্বী দিভলপমেন্টএসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল দিনেশ্বর মোইৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলসনা হ্বিল চ্যের অমসুং শান্নবগী পোৎলমশিং খূৎশিন্নখ্রে

26TH BATTALION THE ASSAM RIFLES
DISTRIBUTION OF WHEEL CHAIRS & SPORTS ITEMS AT REGIONAL INSTITUTE HANDICAPPED PERSONS
COSCO

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ফুন্দ্রেদা লৈবা ২৬শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী প্রোজেক্ট ২০২০-২০২১গী মখাদা হ্বিল চ্যের অমদি শান্নবগী পোৎলমশিং খূৎশিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেন্দিকেপ পর্সন্স (আর আই ঐচ পি) না শীন্দুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবনি।

২৬শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকী কম্মান্দিং ওফিসর কর্নেল সী বিদ্যাধরননা থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. মাইবম রাজেন্দ্রোনা থৌরম মপু ওইরগা য়াইরিপোক্কী সব দেপ্যুটি কলেক্টর পি লানচুংপু কবুই অমসুং কম্ম্যুনিতি হেল্থ সেন্টর য়াইরিপোক্কী মেদিকেল ওফিসর ইন-চার্জ ডা. নোমিতানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দিং ওফিসরনা হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবা (দিসএবিলিটিজ পার্সন) ওইরবা মহৈরোয়শিংগীদমক হ্বিল চ্যের অমসুং কেরোম বোর্দশিং, ফুটবোল, বোল্লিবোল, নেট, বাস্কেটবোল, বেদমিন্টনগী পোৎলমশিংনচিংবা শান্নপোৎশিং ইন্সটিট্যুট অসিদা খূৎশিন্নখি হায়রি।

লেফ্ট পার্টিশিংনা সী এ এগী মায়োক্তা অমম্বা নুমিৎ পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) ২০১৯ চৎনখিবা নুমিৎ দিসেম্বর ১১দা লেফ্ট পার্টিশিং সী পি আই, সী পি আই (এম), আর এস পি অমদি ফোরৱার্দ ব্লোক পার্টিশিংনা অমম্বা নুমিৎ পাঙথোক্কনি হায়না আই সী সী মণিপুরগী সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, সী এ এগী মায়োক্তা লেফ্ট পার্টিশিংনা অকনবা ঈহৌ কয়া চৎথখিবগা লোয়ননা এক্ট অসিনা য়েলহৌমী মুৎখ্রগনি হায়দুনা থেংনখিবা ঈহৌ কয়া - মাস রেল্লি, জেনরেল ষ্ট্রাইক অমদি মখল কয়াগী ঈহৌ কয়া চৎথখিবদা বি জে পি লৈঙাক্লা লেফ্ট পার্টিশিংগী লুচিংবা ১০০গী মথক্তা ফানন‌বা কোয়তান তান্নখি। লুচিংবা কয়া অমসু ফাজিল্লুই। সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি সোতিনকুমারবু হন্না হন্না ফারগা ওৎ নৈখি। লোয়ননা জেলদা থা অমরোম থমজিনখি। হৌজিকসু অরেপ্পা লৈতনা লেফ্ট পার্টিশিংনা সী এ এগী মায়োক্তা থেংনখিগনি। লোয়ননা দিসেম্বর ১১দা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সোসল সর্ভিস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ৱাবগাই এ সীগী মনুংদা লৈবা হৈবোং মখোঙ খুঙ্গং অসিগী ওইবা অপূনবা মীটিং অমা হৈবোং মখোঙ পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা হৈবোং মখোঙ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (ঐচ এম দি এ) কৌবা এসোসিএসন অমা য়ুনিটি এন্দ দিভলপমেন্টদা য়ূম্ফম ওইদুনা শেমখিবা এসোসিএসন অসিনা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা সোসল সর্ভিস কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ঐচ এম দি এগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়রিবা এসোসিএসন অসিনা ষ্ট্রীট লাইটিং প্রোগ্রামনচিংবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা খুঙ্গং অসিগী দিভলপমেন্টকীদমক্তা হৈবোং মখোঙদা দিপার্টমেন্টকী ওইনা লৈরিবা হেল্থ, ৱাটর এন্দ সেনিটেসন এন্দ পৱারদা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমদি মরী লৈনবা সী এস ওশিংনা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা হৈবোং মখোঙ খুঙ্গং অসিগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমদি অতোপ অতোপ্পা ইস্যুশিং লাকপা মতমদা ঐচ এম দি এনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

জেনেরিক দ্রগশিং প্রেস্ক্রাইব তৌনবা এদভাইস তৌরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৭তা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লোঞ্চ তৌখিবা প্রধান মন্ত্রি ভারতিয়া জন ঔসাধি পরিয়োজনা (পি এম বি জে পি) গী স্কিম বুকলেটশিংনা জন ঔসাধি অসি জেনরিক মেদিসিনশিং য়োল্লিবা ষ্টোরশিংগী খূথাংদা লৈবা ঙম্বা মমলশিংদা ক্বালিটি দ্রগশিং ফংহন্নবগীদমক্তনি।

হায়রিবা দ্রগশিং অসি অতাবা মমলদা মমল তাঙবা ৱান্দেদ দ্রগশিংগুম্না কান্নবা পীনবগীদমক য়োলহন্নবগী থৌশিলনি। মরমশিং অসিনা হেল্থক্যের প্রোভাইদরশিং মরু ওইনা রেজিষ্টর তৌরবা মেদিকেল প্রাক্টিস্নরশিংনা নেসনল/ষ্টেটলিষ্ট ওফ ইসেন্সিএল মেদিসিন্দা য়ূম্ফম ওইদুনা জেনরিক দ্রগশিং প্রেস্ক্রাইব তৌনবা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) ভি ভুমলুনমাংনা ঙরাং থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা এদভাইস তৌরক্লি।

বিষ্ণুপুর সী দি ওনা কাদর ২ ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা য়ুনাইটেদ পিপল পার্টি ওফ কংলৈপাক (য়ু পি পি কে) কী কাদর অমা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১২.০৫ রোম তাবদা নম্বোল থোংখাদগী ফারে।

মহাক্কী মমিংনা লায়েনপাইবম সোমোরজিৎ (২৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে শান্তি কৌই। মহাক কোন্থৌজম মখা লৈকায়দা লৈবনি। নুমিৎ অসিমক্তদা হান্না য়ু আর এফতা য়াওরম্বদগী হৌজিক্লা য়ু এন এল এফতা থবক তৌদুনা লৈবা মীওই অমসু ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ফারে। মহাক্কী মমিংনা খাঙেম্বম সঞ্জয় (২৪) অপোকপা কে ঐচ মালেমঙানবা কৌই। মহাক কুম্বী সেটাপুর মনিং লৈকায়দা লৈবনি। ফারবা মীওই অনী অদু মখা তানা থিগৎনবা নম্বোল পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

সেক্রেটরিএট ফিদরগী মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): কৈশাম্পাৎ সব ষ্টেসন্দগী ১১ কে ভি সেক্রেটরিয়েট ফিদরনা কোনবা কঞ্জুমরশিংদা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না হয়েং অয়ূক পুং ৮দগী ১০ ফাওবা সিটি কনভেন্সন সেন্টর অমসুং পেলেস কম্পাউন্দদা লাইন মেন্টিনেন্স ৱার্কশিং চৎথগনি হায়রি।

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) গী ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন - ১গী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মেন্টিনেন্স ৱার্কশিং অসিগীদমক প্লান সটদাউন তৌগদৌরিবা অসিনা মরম ওইরদুনা শঞ্জেনথোংগী ১৪ ক্বার্টরস, পুরৈরোম্বা খোংনাং মখোঙ, পেলেস কম্পাউন্দ, মহাবলি অমসুং থাঙ্গপাৎ মপান্দা হায়রিবা পুংফমশিং অসিগী মনুংদা মৈ ফংলোই হায়রি।

পুলিসকী দ্রাইভতা মীওই ৩১১ ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোক্লিবা অসি মায়োক্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা হান্না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না য়ূমদগী হেক থোরকপদা ফেস মাস্ক উপকদবনি, মী অমগা অমগগী মরক্তা ফিট ৬ লাপ্পা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎকদবনি হায়না লাউথোকখ্রবসু লৈঙাক্কী চৎনকাঙলোনবু থুগাইদুনা লাকপা মীওই ঙসি মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎখিবা পুলিসকী দ্রাইভ অদুদা মীওই ৩১১ রোম দিটেন তৌখি। পুলিসনা মখোয়বু মখা তানা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবগী থবক তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। দিটেন তৌখ্রবা মীওইশিং অদুদগী শেল ওইনা লুপা ৪৯,২৫০ রোম ফাইন থিহনখি হায়রি।

পুলিসনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা ফাগৎখিবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা মীওই ৩০, ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা মীওই ৬, থৌবাল পুলিসনা মীওই ১৬৬, ককচীং পুলিসনা মীওই ৩১, চান্দেলদনা মীওই ৩, বিষ্ণুপুরদনা মীওই ২৪, চুড়াচান্দপুরদনা মীওই ২১, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতনা মীওই ১৩ অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতনা মীওই ১৭ য়াওনা পুন্না মীওই ৩১১ রোম ফাইন থিহনখিবনি হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্থী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্থী পাবা, নুপাগী ফন্থী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্লচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্লচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্লচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6597/09/12-07/01

CROSSWORD-3642



ACROSS

7 Climber (11)
8 Relaxed (2,4)
9 Very nearly (6)
10 Brags (6)
12 Warmer (6)
13 Before (3)
14 Be present (6)
16 Attack from hiding (6)
18 Largest of the Channel Islands (6)
20 Famous public school (6)
22 Handsome (4-7)

DOWN

1 Leave out (4)
2 Wall paintings (6)
3 Emphasised (8)
4 Prima donna (4)
5 Protective headgear (6)
6 Belgian capital (8)
11 Exceed in importance (8)
12 London airport (8)
15 London rail terminus (6)
17 German capital (6)
19 Yellow part of an egg (4)
21 Riotous feast (4)

Solution 3641

A	M	B	L	E	D	■	F	R	I	G	H	T
T	■	A	■	A	■	■	■	U	■	R	■	R
T	E	M	P	T	■	R	O	B	B	E	R	Y
A	■	B	■	E	■	E	■	E	■	A	■	I
C	H	I	A	N	T	I	■	L	E	T	I	N
K	■	N	■	■	■	N	■	L	■	■	■	G
■	■	O	U	T	O	F	D	A	T	E	■	■
C	■	■	■	E	■	O	■	■	■	P	■	B
A	N	G	E	R	■	R	E	Q	U	I	R	E
R	■	R	■	R	■	C	■	U	■	S	■	H
P	L	A	C	A	T	E	■	E	R	O	D	E
E	■	I	■	C	■	■	■	E	■	D	■	A
T	U	N	N	E	L	■	I	N	D	E	E	D

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3441

	9		8		6		5	3
	4			7			9	
		3				7		
4		6						
	3	9				6	8	
						5		1
		1				8		
	6			8			7	
7	5		3		1		6	

Solution-3440

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

8	6	7	5	1	3	2	9	4
1	2	3	4	6	9	7	5	8
5	9	4	2	8	7	1	6	3
4	5	9	3	2	8	6	1	7
3	1	2	6	7	5	8	4	9
7	8	6	1	9	4	3	2	5
6	7	8	9	4	2	5	3	1
2	4	5	8	3	1	9	7	6
9	3	1	7	5	6	4	8	2


নোংমসু ইরাবতনা লোত্তুনা লৈবা য়ুম অমদা সিফাইশিংনা কোইসিনখিরম্মী।
মহাক্লা লৌমীগী ফিজোল শেৎচিন্দুনা লৌমী শাখিরম্মী।
ইরোই মকোন্দা চঙদুনা অফিংবা ইরোই অমা খল্লম্মী।
ইমুংসি থিয়ু হৌজিকমক!!

লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম